# পুকচেল চাওবী নুপী অমনা মমৈদা অৱাবা তাহৌই

## একেন সিজগুরুময়ুম

মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎতা নৌনা থোরকখিবা ফিল্ম কম্পেনিশিংগী মনুংদা পি কে ফিল্মসু অমনি। কম্পেনি অসিনা ফিল্ম কয়া পুথোকখ্রে। লোয়ননা নেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিল্মদসু এৱার্ড কয়া ফংলকখ্রে। ফিল্ম কম্পেনি অসি য়াম্না থেংনা ইং ১৯৮৫ গী অদুৱাইদগী হৌনা মণিপুরদা ভিদিও ফিল্মসকী অচৌবা ইহৌ অমা লৈরিঙৈ মতমদা থৌয়াংবা অমদি থৌঙম্বা হায়না খঙনবা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা মচিন মনাও অনী অসিনা প্রদ্যুসর ওইদুনা ফিল্ম পুথোকপা হৌখি। মখোয়না অহানবা ওইনা পুথোকপা 'উরিৎ নাপংবী', 'লাইথি লুবাক' হায়বা ফিল্মশিং অসি মীয়াম্না য়েংনখ্রে।

ইং ১৯৮৯ দা পাঙথোকপা অহানবা মণিপুর ষ্টেট ভিদিও ফিল্মদা 'লাইথি লুবাক' হায়বা অসিনা বেষ্ট ফিচর ফিল্ম ফংখি। মসিগী মতুংদা মখা তানা সেল্লুলোইদ ফিল্ম নম্বা হৌবগা লোয়ননা 'খোম্থাং' হায়বা ফিল্ম অসি ইন্দিয়ান পেনোরমাদা চঙবা ফিল্ম অমা ওইখি।



মখা তানা মচিন মনাও অনীনা ফিল্ম পুথোক্লকখি অমদি 'মায়োফিগী মচা' হায়বা ফিল্ম অসিনা ৪২ শুবা নেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট রিজনেল মণিপুর ফিচর ফিল্ম ফংলকখি অমদি অনীশুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা এৱার্ড ৪ ফংবা ঙমখি। অসুম্না হনবা লৈতনা নন ফিচর অমদি ফিচর ফিল্ম কয়া পুথোক্লবা ফিল্ম কম্পেনি অমনি হায়বা য়াই।

কম্পেনি অসিগী নৌনা পুথোকপা ফিল্মদি লৈখিদ্রবী মহারাজ কুমারি বিনোদিনিনা ষ্টোরি অমদি স্ক্রনপ্লে তৌবা ' নংনা কপ্পা পকচদে' হায়বা অসিনি। ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর অসিসু নেস্নেলগী থাক্তা এৱার্ড ফংখ্রবা অমদি মহাক্না পুথোকপা ফিল্ম পেনোরমা সেক্সন্দা চঙখ্রবা মীওই অমনি। মহাক অদু অতৈ কনা নত্তে ডাঃ মাখোন মনি মোঙসাবনি। মহাক্না পুথোকপা মোইরাংথেম ইনাওগী রেদিও নাটক 'চৎলেদো ঐদি' হায়বা অসি ফিল্ম ওইনা নমথোক্তুনা ইং ২০০১ গী ওইনা রজৎ কমল এৱার্ড লৌরকখিবা দিরেক্টর অমনি। লোয়ননা মহাক্না ইং ২০০৭ তা দিরেক্টর ওইদুনা পুথোকপা 'য়েনিং অমদি লিক্লা' হায়বা অসিসু ইন্দিয়ান পেনোরমা চঙখিবা ফিল্ম অমনি।

'নংনা কপ্পা পকচদে' হায়রিবা ফিল্ম অসি হৌজিক সমাজ অসিদা থেংনরিবা নুপীশিংগী অৱা–অনা কয়াদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা দিরেক্টরনা মেইন রোল ওইনা কাষ্ট তৌরিবী 'তোম্বোই' দা চাংয়েং তৌবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসি নমদ্রিঙৈগী মাংওইননা মাখোন মনিনা ফিল্ম অসিদা কাষ্ট তৌগদবা এক্টরশিং খনগৎলবা মতুংদা তোঙানবা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ফিল্ম অসি সুট্টিং হৌখি।



লৈখিদ্রবী ইমাসি 'বিনোদিনি' না পাম্লিবদি লমদম অসিদা নুপাশিংনা হন্না য়েংশিনবীদ্রবা নুপী কয়ানা থেংনহৌরিবা অৱাবশিং অদুবু ৱারি ওইনা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা মীয়ামদা লিথোকপা পাম্লম্লি। ইমাসিগী অপাম্বা অসিমক দিরেক্টর ডাঃ মাখোন মনিনা নীংথিনা ফোঙদোকই। মেইন রোল কুম্লিবী নেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিল্মগী অচৌবা হিদান্নবদা ' ফিজিগী মনি' হায়বা ফিল্ম অদুদা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেসকী মনা লৌরকখ্রবী 'তোম্বোইঙম্বী' সু দিরেক্টরনা পীনিংলিবা কয়া অদু নীংথিনা এক্ট তৌদুনা ফিল্ম য়েংলিবা মীয়ামদা লমদম অসিগী নুপীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি মহাক্না খুদম অমনি হায়দুনা উৎনবা হোৎনখি। উৎনবা হোৎনখিবা অদু মীয়াম্না পেনবীরবনিনা তোম্বোইনা ফিল্ম অসিদা লৌরিবা রোল অসি মপুং ফাবা অমা ওইরে হায়না লৌবদা লাল্লোই। ফিল্মগী ওইবা ৱারিগী থোইদোক্লা কান্নবা লৈরোই। মরমদি ফিল্ম হায়বা অসি অয়েংবা ভাবকশিংনা ৱারি লিবনি। ফিল্মনা লিরিবা ৱারি অদুনা মওং মরিল তাদ্রবদি অমদি অয়েংবা ভাবকশিংদা তন্থহল্লবদি ফিল্মনা ফনয়াম্না কান্নবা ৱারি লিরবসু ভাবক্লা য়েংনিংদে হায়বসি ফিল্ম পুথোক্লিবা অমদি ফিল্ম অদুগী লিদরসিপ লৌরিবা দিরেক্টরনা কুপ্না খঙফম থোকই।



ফিল্ম অসিগী সপ্পোর্টিং রোল লৌরিবা 'দেনি লিকমাবম' ঙল্লিঙৈ মতমদা পুথোকপা মণিপুরী ভিদিও ফিল্ম 'ইচেলসিদা' হায়বা অদুদগী হৌরগা দিজিটেলগী মতম ফাওবদা এক্ট তৌরম্বা এক্টর অমনি। মহাক্না ঙসি ফাওবা তৌরকখিবা এক্টশিং অদুদা থোইদোক্লা সেরিয়স ওইবা ফিল্ম অসি য়াম্না তাঙই। মহাক্কী সেরিয়স ওইবা ফিল্ম অসি 'ইচেলসিদা' হায়বা অসিগা ওকেন অমাকচম্না দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপা 'লামৈ'হায়বা অসি নত্তনা অতৈদদি থোইদোক্লা লুশিন্না পার্ফোম তৌবা উদবা অসি এক্টর অসিগী লাইবক থিবনি হায়বা তাই। মতাং অসিদা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা মাখোন মনিনসু খরা কুপ্না য়েংশিনবা অমদি চঙই।

ফিল্ম অসিগী মতাং অমদা দিরেকটরনা য়াম্না তপ্না ত্রোলি শিজিন্নবা থেংনৈ অদুবু অয়াম্বা মতমদা অথাপ্পা মফমদা সুট্টিং তৌবগী মওংদা ফিল্ম অসিদা উহল্লি। ফিল্ম অসিদা 'দেনি' না উকিল অমা শারগসু খরা থাপ্পা মফম অমদা লৈবা উকিল অমা ওইনা উহল্লি। মসিদসু নত্তনা দেনি মশামক্না ফিল্ম অসিগী মেইন রোল কুম্লিবী 'তোম্বোই' না মহাক্কা উন্নবা লাকপদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম 'নংনা কপ্পা পকচদে' হায়বা অসিনা উকিল অদুনা নুপী অদুদা করিগুম্বা খরা খনবগী মওং মান্না উহল্লি। ফিল্ম অসিগী ইডিটর ওইরিবা 'য়োইময়াই'সু য়াম্না চেকশিন্না কট তৌদুনা ফিল্মগী সিন অমগা সিন অমগা তাইনবদু নীংথিনা মেইন্টেন তৌই। কেমেরামেন ওইখিবা 'এন দিল্লিপ' অমদি মহাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা হেমন্তা অমদি রিমজিৎকী ৱার্কশিং অদু চেকশিল্লি হায়বা য়াই। ফিল্ম অসিদা মাখোন মনিনা মৈতৈগী ওইবা ঈশৈ–নোংমাই কয়া অমনা বেকগ্রাউন্দ ম্যুজিক ওইদুনা মীয়াম্না কাওনখ্রবা ঈশৈগী শৈহেক কয়াবু নীংশিংহনবা অসিমক দিরেক্টর অসিগী ম্যুজি দিরেক্টর ওইরিবা এন টিকেনগী হৈশিংবনি হায়না লৌবা তাই।

ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংখিবশিং অদুদি ঃ– লৈবাক সেম্বা, সোরোজিনি, এল পিশক, বিমোলা, কৃষ্ণ, থোইবা, টিকেন, রোবিন্দ্রো, নিমাই, জয়েন্তা, লান্সনা, সিম্বোই, বিজয়া, কুমারি, ইবেচা, সুনিল অমদি লৈপাকলৈনচিংবনি।



# থা অমগী ৱার্কসোপ মতুংদা উৎখিবা 'চাবোক চাওবী লিন'

কোরস রিপোর্টরি থিয়েটরনা এন ঈ জেট সি সি (নোর্থ ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর) দিমাপুর, নাগালেন্দগী সেম্থংগা লোয়ননা থা অমা চুপ্না রিপোর্টরি থিয়েটর অসিদা চথরকপা থিয়েটর ৱার্কসোপ লোয়শিনবা নুমিৎতা ৱার্কসোপ অসিদা দিরেক্টর অমা ওইনা ক্লাস লৌখিবা ইং ১৯৮৪ নেস্নেল স্কুল ওফ ড্রামাদগী গ্রেজুয়েট লোয়রবা মতুংদা মণিপুরদা লাক্তুনা কোরসকী দিরেক্টর রতনথিয়ামগা মখাদা লৈদুনা তোঙান তোঙানবা লমদা ফেলোসিপ ফংখ্রবা 'অবতার সাহানি' না দিরেক্সন পীবা ৱার্কসোপকী প্লে 'চাবোক চাওবী লিন' উৎখি।

দিরেক্টর রতন থিয়াম্না ফোঙদোকপদা থিয়েটর ৱার্কসোপ অমা পাঙথোকপা হায়বা অসি য়ামদ্রবদা থা ৩ চঙই। অদুবু টেল্লবা মতম হায়বদি শুপ্নগী থা অমদা নৌনা থিয়েটরগী লমদা চঙলক্লিবা অঙাংশিংবু থিয়েটরগী মরম খঙনবা তম্বীবা হায়বা অসি অরাইবা নত্তে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়বদা আর্ট হায়বা অসিদি লোয়বা নাইদবা বিদ্যা অমনি। হৌজিক্কী মতমদা থিয়েটর য়াওরগা সেম্বোক লৈত্রবদি থিয়েটর য়াওবগী কান্নবা লৈত্রে খন্নরবা মতমদা থা অমগী ওইবা থিয়েটর ৱার্কসোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা মণিপুরগী থিয়েটরশিংদগী লাকপা নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াবা অসি থাগৎনিঙাইনি।

অমরোমদা অবতার সাহানিনা পুথোক্লিবা প্লে অসি গুজরাটকী ফোক্তা য়ুম্ফম ওইবা প্লে অমনি। ঐখোয়গী কলচরগী ভেল্যু অদু মমুৎ তানা খঙগে হায়রবদি অতোপ্পগী কলচরসু মমুৎ তানা খঙবা তঙাইফদে হায়দুনা নৌনা থিয়েটরদা চঙলকখিবা আর্টিষ্টশিংদা প্লে অসি শান্নহনখিবনি।

'লিন (অমোম)' হায়বা অসি ঙসি ফাওবদা মীওইবা জাতিনা মশাগীতা ওইজবা য়েংবা অমনি হায়না লৌনরি। পৃথিবীগী ফাওরবা ৱারি কয়াদসু লিন অমোম্বু কনানসু ফনা থাগৎখিবা থেংনদ্রি। 'ট্রোইগী হেলেন'বু ঙসি ফাওবদা 'নাইল তুরেলগী লিন অমোম' হায়রগা খঙনরি। লিন অমোম্না মহাক্কী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা মপুন্সি চুপ্পদা অৱাবা চৈথেং খরা খাঙখিবা মমিং লৈরবা অইবা বিজয়া দান্দেথাগী ৱারিদা য়ুম্ফম ওইবা প্লে অসি হন্দক কোরস রিপোর্টরিদা ৱার্কসোপ য়াওবা লাকখিবা মণিপুরগী তোঙানবা থিয়েটরশিংদগী লাকখিবা নৌরিবা আর্টিষ্টশিংনা নীংথিনা পার্ফোম তৌখিবা অসি ৱার্কসোপ অসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি। প্লে অসিগী মতাং অমদা লাইট শেন্নরিবশিংনা অনৌবা মীওইশিংনা এক্টর অদুগী মতুং ইন্না পীগদবা লাইট অদু চেকশিলহৌদবদগী খজিক্তং অশোয়বা লৈখিবা খরা অসি নত্তনা প্লে মনুংদা থোইদাকপা অশোয়বদি লৈখিদে।



কোরস রিপোর্টরি থিয়েটরদা থা অমগী ৱার্কসোপ পাঙথোক্লবা মতুংদা দিরেক্টর অমদি কেরোগ্রাফরগা লোয়ননা শরুক য়ারিবা আর্টিষ্টশিং।



## ১৪ শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়েল ড্রামা ফেষ্টিভেল২০১৩

### শরূক য়ারিবা লীলা অমদি লীলা কাংলুপশিং

| | | |
|---|---|---|
| ১৪।১২।২০১৩ | ডি ইম্ফাল থিয়েটর, ৱাংখৈ। | 'সৌরা' |
| ১৫।১২।২০১৩ | এল. সি. ৱাই. সি. সি. সি. আই | 'নুপী' |
| ১৬।১২।২০১৩ | কংলৈ লিভিং আর্ট, উচিৱা। | 'ইম্থোকলবী' |
| ১৭।১২।২০১৩ | য়ুমজাও লাইরেম্বী ড্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকাই। | 'ঐগী পুন্সি ঐগী লাইবক' |
| ১৮।১২।২০১৩ | খেনজোংলাং, ৱাংখৈ। | 'মেট্রিক পাস' |
| ১৯।১২।২০১৩ | ডি মাস থিয়েটর, মণিপুর। | 'নাকেন্থা' |
| ২০।১২।২০১৩ | কংলৈপাক লময়াম্বা থিয়েটর, ৱাবগাই হিয়াংলম। | 'অঙাওবা' |
| ২১।১২।২০১৩ | ডি সোসাইতি থিয়েটর, মণিপুর। | 'তপ্তা' |
| ২২।১২।২০১৩ | নোর্থ ইসটর্ন থিয়েটর এসোসিয়েসন। হৈঙাং ময়াই লৈকাই, ইম্ফাল। | 'মোংফমগী নুংবীশিং' |
| ২৪।১২।২০১৩ | মণিপুর আর্টিষ্ট তুরিং ড্রামা পার্তি। | 'সরত চান্দনি' |
| ২৫।১২।২০১৩ | মৈতৈ আর্টিচ য়ুনিয়ন, মোংসাঙ্গৈ। | 'নুংশিবা' |
| ২৬।১২।২০১৩ | ডি য়ুট কলচর আর্টিস এন্দ ক্রাফ এসোসিয়েসন, সিংজমৈ বজার, ইম্ফাল। | 'চিত্রবত' |
| ২৭।১২।২০১৩ | ডি চন্দ্রনদি ড্রামা এসোসিয়েসন, হাওরৈবি। | 'লিলাগী নিংথৌ' |
| ২৮।১২।২০১৩ | বাসিখোং ড্রামাটিক য়ুনিসন, বাসিখোং | 'মচা' |




Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*